# স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা ইটালিগী লোরেঞ্জো মুসেতিনা মায়থীবা পীদুনা ইটালিয়ন ওপনদা লৈহৌরে



রোম, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রেবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাবু ইটালিগী শান্নরোয় লোরেঞ্জো মুসেতিনা অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীদুনা ৱারিনকা লৈহৌখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দ অদুদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা অমসুং ইটালিগী লোরেঞ্জো মুসেতিগা লম্বা তৌনবনি। মশাগী চহী ১৮ দা ঙাইরিবা লোরেঞ্জো মুসেতিনা অহানবা রাউন্দগী অহানবা সেট অদু য়াম্না হেনবা মওংদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকাগী সর্ভিস গেম অহুম ব্রেক তৌবা ঙমখিবা অমদি মশামক্কী সর্ভিস গেমশিং হোল তৌদুনা সেট অদু ৬-০ দা থোইখি।

ষ্টান ৱারিনকাগী মায়কৈদগী অহানবা সেট অদুদা অশোয়বা কয়া লৈখিবা মরম্না চহী নৌরিবা লোরেঞ্জো মুসেতিনা চথুরকখিবা এটেক অদু পাউখুম পীবা ঙমখিদে। সেট অমা মায়থীরবা মতুং অনীশুবা সেটতা ষ্টান ৱারিনকাগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনদুনা শোথখিবা সেট অদু ফুগৎনবা হোৎনরকখি।

অনীশুবা সেট অদু লম্বা মান্নরকপদগী গেম ১২ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা নাকল অনীমক্তগী গেম ৬/৬ থোইনদুনা টাই ব্রেকতা মখা তাবা কম্পিটিসন তৌখি। টাই ব্রেক অদুদা ইটালিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় লোরেঞ্জো মুসেতিনা পোইন্ট ৭২ দা থোইদুনা অনীশুবা সেট অদুসু মায় পাকপদগী স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি। ৱারিনকাবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা ইটালিগী লোরেঞ্জো মুসেতিনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় কৈ নিসিকোরিগা লম্বা তৌনরগনি।

ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা কনাদাগী দেনিস সাপোভালোব অমসুং রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেব মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা সিদেদ ওইরিবা কনাদাগী সাপোভালোবনা অর্জেন্টিনাগী গুইদো পেলাবু ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি। অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ ওইরিবা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ফ্রান্সকী ফাকুন্দো বাগনিসপু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোয় হুবর্ট হুরকাজগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ওষ্ট্রিলিয়াগী শান্নরোয় এলেক্স দি মিনোরনা ইটালিয়ন ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোয় দোনিমিক কোফরগা লম্বা তৌনবদা সেট ১-২ দা মায়থীবা নংখি। অহানবা সেট অদু মিনোরনা ৬-৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতা জর্মনিগী দোমিনিক্কা চপ মান্না স্কোরদা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি। অদুবু অহুমশুবা দিসাইদিং সেটতা জর্মনিগী দোমিনিক কোফরনা টাই ব্রেকতা ৭-৬ (৭-৫) তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা জর্মনিগী শান্নরোয় মমাঙদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী এঞ্জেলিক কবর অহানবা রাউন্দদা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোয় কার্টেরিনা সিনিয়াকোভানা ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীরমখি। নীংশিংবা য়াই, এঞ্জেলিক কবর হন্দক্তা লোইশিনখিবা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেনিস টুর্নামেন্টকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা য়ৌবা ঙমখিবনি।

# কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা ৱাখলগী পাঙ্গল হেন্না ফগৎহনবা ঙমখি : হোকি টিম কেপ্টেন মনপ্রিট



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিক কেপ্টেন ওইরিবা মনপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং ফংলুরবা মতুংদা মশাদা ৱাখলগী পাঙ্গল হেন্না ফংবা ঙল্লে হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা থাদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোকি টিম কেপ্টেন ওইরিবা মনপ্রিট সিংহ য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোয় ৫ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা নেসনল হোকি কেম্প শরুক য়ানবগী হোৎনরকপা লম্বেল অদু মতম খরা নাথৈদুনা লৈখিবনি।

মনপ্রিট সিংহ য়াওনা অতোপ্পা শান্নরোয় মঙাগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপদগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী হোষ্টেলদা আইসোলেসন তৌদুনা লৈরকখিবনি।

কেপ্টেন মনপ্রিট সিংহনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, থা ১ রোম শান্ন-খোৎনবগী হীরমদা খোঙদাদনা লাকখিবা অদু মশাগী শান্নবগী করিয়র অদুদা খ্বাইদগী শাংবা মতম অমা ওইখি হায়রি।

শান্নরোয় অমা ওইনা মতম শাংনা শান্নবগী হীরম অমত্তদা শরুক য়াদনা লৈখিবা অদু খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। অদুবু লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা অথিংবা লৈরকখিবা অদুগী অহাংবা মতম অদুদা মশাগী ওইবা পাঙ্গল হেনগৎনবগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদি পায়খৎতুনা লাকখি হায়রি।

হোকি ইন্দিয়াগী ওফিসলশিং লোয়ননা চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসল ওইরিবা এলিনা নোর্মেননা লৌখিবা থৌদাংশিং অদু থাগৎনিংঙাই ওইখি। মখোয়গী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লবসু অহেনবা প্রেসর পীদনা তোঙানবা ৱাখল্লোন অমদা পোথাহনবগী কাঙলোন শীজিন্নরকপা অদুনা পোজিটিভ ওইজরবসু অহেনবা ৱাখলগী পাঙ্গল শোন্থবগী লম্বেল লৈখিদে হায়রি।

সী ঈ ও এলিনা নোর্মেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা শান্নরোয়শিং অসিগী হকশেলগী ফীভম মপুং ফানা ফিট ওইরবা মতুংদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা লোয়ননা মখা তাবা থবকশিং পায়খৎপগী মতম নীংথিনা লৈরি। শান্নরোয়শিংনা পাখৎফম থোক্তে হায়বগী থাজবা পীরকপা অদুনা মনপ্রিট সিংহ য়াওনা পোজিটিভ ওইখিবা অতোপ্পা শান্নরোয় মঙা অদুগী ৱাখলদা নুংনাংবা লৈখিদে।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা শান্নরোয়শিং অদুগীদমক্তা হোস্পিটালদা লৈরিঙৈ অমদি হোষ্টেলদা লৈরবা মতম ফাওবদা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী পীরকখিবা চান-থক্ক বগী পোৎলমশিং অদুনা শান্নরোয়শিং অদুবু নীংহন্নবা লৈহনখিদে। মসিদসু নত্তনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মেদিকেল টিমনা শান্নরোয়শিং অদুগী হকশেলগী মতাংদা কাঙলোনগী মতুংইন্না য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌদুনা লৈখি।

চয়োল অনীগী ওইবা সেল্ফ আইসোলেসনগী মতম অদুদা হোকি ইন্দিয়াগী ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী নোংমা কাংদনা শান্নরোয়শিংগী অৱাৎ-অপাশিং য়েংশিন্দুনা লাকখি। মদুনসু অচৌবা মরম অমা ওইরগা শান্নরোয়শিং অদুনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংলবসু হকচাং শোন্থদবা অমদি ৱাখলগী পাঙ্গল হেন্না লৈহন্নবা থৌনা পীখি। আইসোলেসনদা লৈরিঙৈ মতম অদুদসু মথৌ তাবা মেদিকেলগী ওইবা টেষ্ট পুম্নমক চাং নাইনা পাঙথোক্তুনা শান্নরোয়শিং অদুদা ৱাখল অমসুং পাঙ্গল হন্থহনবগী তাঞ্জা অমত্তা পীখিদে।

# ইন্দিয়াগী হরিকৃষ্ণ সেন্ট লুই রেপিদ ওনলাইন চেছকী জোইন্ট লিদর ওইরি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৬(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্টকী রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপগা জোইন্ট লিদর ওইবা ঙল্লি।

ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর লৈনিয়র দোমিনগেজবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। মদুগী মতুং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারিবা ইরানগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অলিরিজা ফিরোজাগা শান্নবদা দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়াগী নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবা গ্রান্দ মাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ অহুমশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর অলেকজেন্দর গ্রিচুককা লম্বা তৌনবদা মুভ ৪১ দা মায় পাক্তুনা পুন্না রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৫ ফংদুনা অর্মিনিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর লেবোন অরোনিয়নগা পুন্না টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থামিন্নরিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা নোর্ৱেগী গ্রান্দ মাষ্টর মেগনস কার্লসন রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

কার্লসননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর হিকারো নকামোরাগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় গ্রান্দ মাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিগী মখুৎতা মায়থীবা নংখি। অদুগা ৩শুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় ৱেস্লি সোগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৩ ফংবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা লৈরিবনি।

সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ ওন লাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা রেপিদ গেমদা মায় পাকপা মতমদা পোইন্ট অনী শান্নরোয় অমা ফংই। অদুগা দ্রো চৎপা মতমদা পোইন্ট অমা ফংবনি। রেপিদ গেম লোইরবা মতুংদা শান্নরোয়শিংনা ব্লিটজ গেম শান্নরকপা তারবদি মায় পাকপদা পোইন্ট অমা ফংলগা দ্রো চৎপা মতমদনা পোইন্ট ০.৫ ফংগদৌরি।

# মোন্টপেলিয়রনা লিওন ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লিগে ৱানগী ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে



পেরিস, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা লিগে ৱানগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মোন্টপেলিয়রনা লিওন ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা টিম ২০গী কম্পিটিসন অসিদা ৫শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

মোসোন ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা লিগে ৱান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা মোন্টপেলিয়র অমসুং লিওনগী লম্বা অদু শান্নবগী অহৌবা পুংখায় অমরোম ফাওবদি লেং মান্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে।

মোন্টপেলিয়রগী মায়কৈদগী মেচকী ৩৮ শুবা মিনটতা চথুখিবা এটেক অমদা লিওনগী দিফেন্দরশিংনা কাঙলোনগী ৱাংমদা বোল অদু থিংনবা হোৎনরুবগীদমক রেফ্রিনা পেনাল্টি অমা পীখি। খুদোংচাবা অদু মোন্টপেলিয়রগী মায়কৈদগী টি সভানিয়রনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লিওনবু মখোয়না অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা অদু ফাওবা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

লিওনগী টিম মমাঙদা শান্নখিবা রাউন্দ অনীদা মেচ ১ মায় পাকপগা লোয়ননা অতোপ্পা মেচ অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট মরি ফংলগা পোইন্ট টেবলদা ১১শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। অমরোমদা, মোন্টপেলিয়রগী টিম মমাঙগী রাউন্দ অনী শান্নবদা অমা মায় পাক্লগা মেচ অমা মায়থীদুনা নংদুনা পোইন্ট অহুম ফংলগা ১২ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী মিনট ১৪ চনশিল্লকপদা মোন্টপেলিয়রগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টি সভানিয়রনা মহাক্কী টিমমেট এম রিষ্ট্রিকনা পীরকপা বোল অমদা মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

লিওনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী শোথদুনা লৈরকখিবা অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙখি। শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু লিওনগী মায়কৈদগী এম দিপেনা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু শোথরম্বা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

শান্নবগী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লকপা ফাওবদা লিওনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা শোথখিবা অদু হন্দোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাবা ফংখিদবদগী অহুমশুবা রাউন্দগী মেচ অদু মখোয়বু মোন্টপেলিয়রনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখি।

লিগে ৱানগী রাউন্দ ৩ শান্নবা লোইশিল্লকখিবা অমদি অতোপ্পা টিম খরগী অহুমশুবা রাউন্দ মেচ ৱাৎলিঙৈ পোইন্ট টেবলগী ওইনা রিনেজ, মোনাকো অমসুং লিলেনা মখোয় মখোয়গী মেচ ৩গী মনুংদা ২/২ মায় পাক্লবা মতুং মেচ ১/১ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭/৭ ফংলগা মাঙজিল থামিন্নরি। অদুবু রিনেজনা গোল চনবগী মশিং হেনবা মরম্না পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি। অদুগা মোনাকো অমসুং লিলেনা অনীশুবা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। সেন্ট ইটেনিনা মখোয়গী অহুমশুবা মেচ মায় পাক্লবদি টেবলগী মকোক্তা লৈগদৌরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Rennes | 3 | 2 | 1 | 0 | 7 | 4 | 3 | 7 |
| 2 | Monaco | 3 | 2 | 1 | 0 | 5 | 3 | 2 | 7 |
| 3 | Lille | 3 | 2 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 7 |
| 4 | Saint-Etienne | 2 | 2 | 0 | 0 | 4 | 0 | 4 | 6 |
| 5 | Montpellier | 3 | 2 | 0 | 1 | 6 | 4 | 2 | 6 |
| 6 | Marseille | 2 | 2 | 0 | 0 | 4 | 2 | 2 | 6 |
| 7 | Nice | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 8 | Lens | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 9 | Angers | 3 | 2 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 6 |
| 10 | Bordeaux | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 0 | 2 | 5 |
| 11 | Lyon | 3 | 1 | 1 | 1 | 5 | 3 | 2 | 4 |
| 12 | Nantes | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 3 | 0 | 4 |
| 13 | Nimes | 3 | 1 | 0 | 2 | 7 | 6 | 1 | 3 |
| 14 | Lorient | 3 | 1 | 0 | 2 | 5 | 6 | -1 | 3 |
| 15 | Brest | 3 | 1 | 0 | 2 | 4 | 7 | -3 | 3 |
| 16 | Reims | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 4 | -2 | 1 |
| 17 | Metz | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |
| 18 | Paris Saint-Germain | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 2 | -2 | 0 |
| 19 | Dijon | 3 | 0 | 0 | 3 | 1 | 7 | -6 | 0 |
| 20 | Strasbourg | 3 | 0 | 0 | 3 | 1 | 7 | -6 | 0 |

# ওইতা ত্রিনিতা অমসুং য়োকোহমা মারিনোস মায় পাকপা ঙমখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ১৬(এজেন্সী): জপানগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা নম্বর ৱান লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা জে লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ওইতা ত্রিনিতা অমসুং য়োকোহমা মারিনোস মায় পাকপা ঙমখ্রে।

টোকিওগী অজিনো মোটো ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ওইতা ত্রিনিতা অমসুং এফ সী টোকিও লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা মেচ অদুগী মপুং ওইবা মশান্না অদু উবা ফংখি।

শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা ওইতা ত্রিনিতাগী আর মাটসুমোতোনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা এফ সী টোকিওগী লিএন্দ্রোনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মিনট ২০ লোম মখা তাবা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। ৮২শুবা মিনটতা ত্রিনিতাগী তালাকানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২-১ দা হেনখ্রবা মতুং টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এন নোমুরানা মেচকী ৮৬শুবা মিনটতা মখা তাবা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা এফ সী টোকিওবু পাঞ্জল ৩-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। শান্নবা অদুগী অরোইবা ৯০শুবা মিনটতা এফ সী টোকিওগী এম সিনাদানা পাঞ্জল অমা চল্লগা স্কোর বোর্দতা এফ সী টোকিওগী পাঞ্জল অনী অদুগা ওইতা ত্রিনিতাগী পাঞ্জল অহুম লৈরগা মেচ অদু লোইশিনখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা য়োকোহমা মারিনোসনা সিমিজু পলসপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী পাঞ্জল ৩মক অহানবা হাফতা চনবা ঙমখি। নিশান ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী ৯শুবা মিনটতা য়োকোহমাগী মায়কৈদগী তাকানোনা পীরকপা বোল অমদা ইরিক লিমানা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

মেচকী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ২২শুবা মিনটতা য়োকোহমাগী কে মুজিনুমানা পাস তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট এ ওনাইয়ুনা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ২-০দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং সিমিজু পলসকী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। তাঞ্জা অদুদা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা য়োকোহমা মারিনোসকী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা এ ওনাইয়ুনা ফংখিবা বোল অমা য়াম্না মতাং মতম চানা খায়দোরকখি। খায়দোরকখিবা বোল অদু মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা য়োকোহমাগী ইরিক লিমানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-০দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী অনীশুবা হাফ শান্নবদা সিমিজুগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল ৩ অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

# কোরিয়া লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা দেগু এফ সী অমসুং গাংৱোন এফ সী মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকপা ঙমখ্রে



সিওল, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): কোরিয়া লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা দেগু এফ সী অমসুং গাংৱোন এফ সীনা মখোয় মখোয়গী লম্বাবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

দেগু এফ সীনা য়ুম্ফম ওইদুনা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ দেগু বেঙ্ক পার্কতা শান্নখিবা মেচ অমদা সিওংনাম এফ সীগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা দেগু এফ সীনা সিওংনাম এফ সীবু পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১০ শুবা মিনটতা দেগু এফ সীগী দামজানোবিসনা চনখি। মদুগী মতুং মেচকী ৩৮ শুবা মিনটতা টিম অদুমক্কী শান্নরোয় চেসিনানা পাঞ্জল অমগা চনশিনখি।

অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অনী শোথরবা সিওংনাম এফ সীগী মায়কৈদগী সী লিনা পাঞ্জল অমা চল্লগা হাফ অদু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা সিওংনাম এফ সীগী মায়কৈদগী এস নানা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অদুবু মিনট ৪ লৈরগা দেগু এফ সীগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা দামজানোবিসনা মেচ অদু মায় পাকপগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু ৬৪শুবা মিনটতা চন্দুনা ৩-২দা থোইখি।

কোরিয়া লিগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা গাংৱোন এফ সী অমসুং বুসান আই পার্ক লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ শান্নবদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপদা গাংৱোন এফ সীগী জে সোনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। বুসান আই পার্ককী মায়কৈদগী ৬৬ শুবা মিনটতা দি কিমনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা ১-১দা লৈনখি।

শান্নবগী মখা তারকপা ৮৩শুবা মিনটতা গাংৱোন এফ সীগী মায়কৈদগী ৱাই লিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা বুসান আই পার্কবু মখোয়না ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তারকপা মেচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী গাংৱোননা মায় পাকখি।

# হোকি প্রো লিগতা জর্মনিনা বেলজিয়মগা লম্বা তৌনরগনি

বার্লিন, সেপ্টেম্বর ১৬(এজেন্সী): মালেমগী হোকিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা প্রো লিগ হোকি টুর্নামেন্টকী অনীশুবা সিজনগী মখা চথুরকপা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী অনীশুবা চয়োলদা জর্মনিগী সিটি দুসেলদোর্পতা বেলজিয়মগা য়ুম্বু লৈবাক অদুগা শান্নরগনি।

সেপ্টেম্বর ২২ দা জর্মনিগী নুপীগী হোকি টিমনা বেলজিয়মগা শান্নগনি। থংনবা নুমীৎতা জর্মনিগী নুপাগী টিমনা বেলজিয়মগী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরি। জর্মনিনা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা মেচ অদু য়ুল্লোন্নবা লৈবাক বেলজিয়মগা ওইবা মরম্না কোভিদ-১৯গী হৌজিক লৈরিবা চৈথেং অসি নাথৈরগা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মেচ শান্নফম ওইগদৌরিবা দুসেলদোর্প হোকি ক্লব অসি বেলজিয়মগী বোর্দরদগী শুপ্নগী কিলোমিটর ৯০ খক লাপ্পা লৈবা মফমনি। মরম অদুনা জর্মনিগী হোকি টিমনা বেলজিয়মগী হোকি টিমগা সেপ্টেম্বর ২২ অমসুং ২৩ দা শান্নগদৌরিবা মেচ অনী অদু থোইদোকপা কোভিদ-১৯গী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরশিং ঙাক্লা পাঙথোকপদা অৱাবা লৈরোইদৌরি।

ইন্টরনেসনল হোকি ফেদরেসন্না অনীরকশুবা সিজন ওইনা পাঙথোকপা হোকি প্রো লিগ অসি চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুগা জুন থাদা লোইশিন্নবা পান্দম থমখিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা য়েথোরকপা অদুনা অহানবা ওইনা থা অসিগী ২২ অমসুং ২৩ দা প্রো লিগ অসিগী মখা তাবা মেচশিং অদু শান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়ানা কুমজা ২০২১গী এপ্রিল থাদা প্রো লিগ শান্নবা হৌগদৌরি।

# ইষ্ট বেঙ্গলনা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ২০২০-২১ য়াওনবা বিদ পীখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১৬(এজেন্সী): কোলকাটাগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব ইষ্ট বেঙ্গলনা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবগীদমক্তা বিদ পীশিনখ্রে।

ইষ্ট বেঙ্গলনা ফুটবোল স্পোর্টস দিভলপমেন্ট লিমিটেদতা লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১ সিজনগী ওইনা শরুক য়ানবগীদমক বিদ অদু পীশিনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবনা কোলকাটাদা বেজ তৌবা শ্রী সিমেন্ট লিমিটেদ হায়না খঙনবা কম্পেনি অসিগা খুৎশম্নরগা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট শরুক য়ানবগীদমক্তা শেম-শারকখিবনি।

ক্লব অসিনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা শ্রী সিমেন্ট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা ক্লব অসিগা পুনশিল্লগা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ানবা থেংলবসু থেংনা বিদ অদু পীশিনখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফেয়র্সতা রেজিষ্টর তৌরবা শ্রী সিমেন্ট ফাউন্দেসন হায়না মিংথোনবা অসিনা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবকী মখা তারক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা চঙগদবা শেনফমশিং পুথোক্তুনা মরুওইনা ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

মমাঙদা ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং মোহন বগান ক্লব আই লিগতা শান্নরম্বনি। অদুবু মোহন বগান ফুটবোল ক্লব হান্না আই এস এলদা শরুক য়ারিবা এ টি কেগা পুনশিন্দুনা লিগ অদু শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রবা মতুং ইষ্ট বেঙ্গলসু আই এস এলদা শরুক য়াননবা স্পোন্সর থিদুনা লাকখিবনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com